# কলাবু শিবা নাইবরা? শিখিগদবদি মীওইবনি

মণিপুরী থিএটর শিথরক্লে/মরায় চায়থরক্লে হায়নরক্লিবা কুইরক্লে। অনৌবা মণিপুরী থিএটরগী লময়ানবশিংগী মরক্তা অমা ওইবিরম্বা, লৈখিদ্রবা ওজা কহ্নাইলালগুম্বা মীশক অমনফাওবা, পুন্সিগী অরোইবা মীকৃপ্তা 'মণিপুরী থিএটর খাঙেনফম য়ৌরে' হায়দুনা তকশি শোল্লম্বনি। পেন্দবগী খোম্থোক্কি। মণিপুরী থিএটর হিংখিগনি, শিরোই হায়বা মহাকসু খঙই। শিসু শিহন্নীংলম্লোই। অদুনবু শিন্নরল্লিবনি মহাক্কী থিএটর 'কলাক্ষেত্র' - মচা ইবুংঙো তোম্বদা। থিএটরবু পামজবা, কলাসিনা হিংনবই শিনফম ওইজবশিং অমদি হিংনবই শিনফম্না অতোপ্পা অমা ওইরগা পাম্না তৌজবা শিনফম'না থিএটর ওইজবা কলাকারশিং, ওজা কহ্নাইলালদা ফাওখিবা পূক্নিং-ইহুলদু চপ মান্ননা ফাওজরগসু মথম্মোয়দদি য়ানীংখিদবা ঙাক্তনি।

অদুবু মণিপুরী থিএটর- য়েংবীনবা ৱাৎপগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা মায়োক্নরে হায়বসিমদি শুকশোয় শোয়দনা চুপ্লবা, য়েৎননীংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। য়েংবীনবা ভাবোক লৈরম্লবা, রূপমহল থিএটর অমদি মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী চয়োলগী দ্রামা-শো, মতম অমদা লেপ্তুনা চয়োল চাম্মা-চনি উৎলম্বদু ঙসিসু শোয়দনা উৎলমগনি। 'জগোয়-ঈশৈ-থিএটর' অহিংবা কলা (লিভিং আর্ট) অমনি। অহিংবা কলাকারশিংনা অহিংবা ওদিয়েন্সশিংগী মমাঙদা উৎপা অহিংবা পর্ফোমেন্স অদুবু কৌই - 'লিভিং আর্ট'। অহিংবা কলা, হিংহন্দুনা থম্নবগীদমক, অহিংবা অয়েংবা-তঙাইফদবা অমনি। অহিংবা অয়েংবশিংদুনা দ্রামা/লীলা শান্নফমদা লাক্লিংদ্রিবা করিগীনো...লাক্লিংনবা করি তৌফম থোকপগে...? কলাকারশিং, মশানা মশাদা হৎজগদবা ৱাহৎনি। ফনা-ফবা, ফনা-হৈবা, ফাওবদগী ফাওরবা কলাকার অমা ওইসনু মহাক্না উৎনীংলিবা লিভিং আর্ট পর্ফোর্মেন্স - য়েংবীনবা হৈত্রবা, পূমহাঙ হাঙবা ওদিটোরিয়ম অমদা উৎলুবগী কান্নদে।

ঐনা পাখঙ ওইরিঙৈ, সিনেমাদা ঙাওরিঙৈ, 'ধনৱান' (ইনাক খুনবা/মরল লৈবা) হায়না মিংথোনবা হিন্দি ফিল্ম অমগী কাউঙমদবা সিন অমা ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। ইজরিবা ৱারেংসিগা মরী লৈননা ইনীংলকই ঙসি সিন অদু। মমিং চৎলবী জগোয় শাবী, শকহেনবী (রীনা রোই) অমবু, ইনাক খুল্লবা (মরল লৈবা) ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট (রাজেস খন্না) অমনা পামজখি, মহাক্কী ওইনীংখি। নুপীদুনা য়াখিদে, অতোপ্পা কনাগী মফমদা থৱায় হকচাং কৎথোক্লুরবনা। নোংমা, কলাকারদুগী অখন্নবা দান্স পর্ফোর্মেন্স অমা, হাউজ-ফুল ওইরমদুনা, নীংবা কায়রবা অয়েংবা কয়া হন্নখ্রবা শো অদুগীদমক, মীকূপ খরা জগোয় শাবা হৌরুরগা লৈথোরকপদা উখি - হোল অদুদি পূমহাঙ হাঙলম্মী, ময়ায়দুদা ফল্লম্মি-শেঞ্জাও পায়বা, ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট মথন্তা। জগোয় শাবা চপ লেপখি। 'শো' দুগী টিকেট পূম্নমক মথন্তনা পুল্লপ লৈরবনি, শো-মপূম-ফাহনগদবনি, মখা তানা জগোয় শাউ-ধনৱাননগী য়াথংনি। শো'দুগী ইভেন্ট মেনেজরনসু হায় ... 'শোদুগী টিকেট পূম্নমক কম্পনিদুনা পুল্লপ লৈখ্রবনি শোদুদি উৎপা তাবনি'। কলাকারদুনা হায়খি ... 'মমল লৌদুনা য়োনখ্রবা ঐহাক্কী কলা, উৎকনি ঐ, অদুবু ঐ মখা তানা ঐগী কলা য়োল্লরোই, ঙসিনা অরোইবা পর্ফোর্মেন্সনি'...। মীনা চোন্না তিল্লবা সভাদুগী মমাঙদা উৎপা পর্ফোর্মেন্স অদুনি 'প্রাইসলেস আর্ট' - মমল লৈতবা অহিংবা কলা। মণিপুরগী, 'মমল লৈত্রবা জগোয়-ঈশৈ' গী কলা - হিংহল্লকখিবা নত্তে মমল পীরগা য়েংবা অয়েংবশিংনা। অদুবু, হিংহল্লকখিবদি অয়েংবশিংননি। মথম্মোয়নবু পেল্লবা, মশাদা য়াওরম্বা শেলমখৈ কলাকার (পর্ফোর্মর) দুগী মফমদা পীথোক্লম্বদা হালেংদবই মথক্তা মশানা শেৎলি/ইল্লিবা ফিদু ফাও পীথোক্লম্বদা চিংনদবনি। হৈনবীদুদই শেমখিবনি - শোন্নপুঙগী শৈশকপশিংদা শেল/ফি থাবই চৎনবী। মীতৈশিংগী অঙম অথৌ/নিংথৌ-নিংথৌরেল ময়াম্না কলাগী পুজারী ওইরম্বা, রোয়েল পেট্রোনেজ পীদুনা কলাকারশিংবু হিংহল্লম্বদুনি, পীক্লবা লমদম অসিদা তাঙবদগী তাঙলবা কলা মখল কয়াগী ময়োল চোংফম ওইরল্লিবা।

অদুগুম্বা লীক্লমদু, অনৌবা মীরোল অসিদা তপ্না তপ্না মাঙখিবা... রোয়েল পেট্রোনেজ হায়বদুগী ৱাহন্থোক 'গভর্ণমেন্ট-সপোর্ট' হায়বনি হায়বদু গভর্ণমেন্ট'না কাউখিবদুনা ঙসিদি কলাগী মফম খুন্নাইসিদা মাঙশিল্লক্লে। জগোয় ঈশৈ তৌবশিং, কলাদা থৱায় য়াওবশিং, থৌরেম-ৱারেম তৌবগুম্না লৌরকই। সিনেমা-দ্রামা হায়বসি ঙম্মোক'কুম্না খল্লকই। মীয়াম মাঙদা থাগৎলগা, মচা-মমৌ থাজরমদাই 'দ্রামা তৌবা নুপাদবু ইচা থাজবা হৌনব্রা'/'সিনেমা দ্রামা য়াওবীবু ইমৌ ওইবা হৌনব্রা'... অঙম্বই চীন্দই থোক্লকপা - কলচরেল এক্টিভিজম হন্থরকপগী মরমনি। ইপা-ইপু, ইবুধৌ-পুরেনশিংগী হাক্তক্তা, চাবা-থকপা ৱাত্তনা য়াইবী মরাঙ কায়না হিংলিঙৈদা শেল্লম্বা, তাঙবদগী তাঙলবা কলাগী খূৎশেম কয়াদো - ঙসিদি 'দাইইং-আর্ট-ফোর্ম' হায়বা মমিং অমা থোনজিল্লগা, মূৎখিগদবা নুমিৎতু ঙাইরি খূৎ থেক্তুনা। মমিংদুদি পন্নীংদ্রে, নক্লা লোয়নজহৌবা কলাকার অনীখক্কী লোইরমদাই পুন্সি মীকৃপ্তুদা অরোইবা খোম্থাং ওইনা লৈহৌবা ৱাহৈ খরখক খোম্থাং ওইনা লৈহৌই। মশক-মতৌ চঙখোনবা, মাগী খোঞ্জেল অদুনা ঙসিসু ঐখোয়বু শুম্লিবা, মানা নোংমা হায়রম্মী... 'ঈশৈ শক্লগা, ঈশৈনা পুন্সি ওইগনি, মীমান্ননা হিংগনি - খল্লুবা ঐগী ৱাখল লাল্লম্লে... ঈশৈগীদমক লৈঙাক্কী থবক থাদোক্লুবা, ঐসি কয়াদা পঙলম্লবনো'...! মতম চূপ্পদা মোমোন্নদুনতা লৈবা মায়থোঙ, নোংমতসু অশাউবা-অৱাবা মায়থোঙ উৎখিদবা, মীবু নুংঙাইহনবতনা মসিঞ্জাং ওইখিবা কলাকারনি অতোপ্পদুসু। নোংমা নুমিদাংৱাইরম অমা, উন্নদবা কুইরে খন্দুনা উন্নবা চৎলুবা, কপ্পা পকচখিদ্রবা মায়থোঙদুদা লেপ্পা লৈতনা মপি শিন্থরদুনা হায়রকখি ... 'ইন্দ্রকুমার! ঐবু অমুক্তা তাইবঙপান অসি থাদোকপদা মতেং পাংবীয়ু - ঐ শিবা পাম্লে, ঙসিমক, হৌজিকমক... প্লিজ হেল্প মি... আই ৱান্ট টু দায়'...। দ্রামাগী দাইলোগ নত্তে। অইবা অমগী খূৎশেম-ৱাহৈ নত্তে। মশামকসু থোইদোক হেন্দোকপা কলাকার-এক্টর, সিঙ্গর, পেন্টর, কমপোজর, পর্ফোর্মর অমা ওইখিবনা চিনবান্দা পক্তুনা লৈরবা ৱাহৈনি। থাজখিদে। মখূত্তা য়োৎপী অনী পায়রগা ইলেক্ট্রিক 'স্বীটচ-হোল'দা থিংজিন্দুনা মৈ লাকপা ঙাইরম্বা... মহাক উদনবা থমখ্রবা থাঙ থিরম্বা... ঈশিংদা চোংথনবা হোৎনরম্বা... অদুগুম্বা ফীভমদুদা কনানা, কয়াম কুইনা খাল্লুনি? মহাক চৎখি। কুইখিদে।

কলচর হায়বসি জাতি অমগী চাউথোকচফমনি, নেসন অমগী প্রাইদনি - হায়নরকই মমাঙঙৈদগী। অদুবু, মশাগী নেসনেলিটি মাঙখ্রবা, উতাংবীগুম হিংলবা জাতি অমগী লুচিংবনি চোংথোরক্লিবশিং অসিগী ৱাখলদদি 'নেসন' অসি মাঙখরে। ১৯৪৫, ওক্টোবর ১৫দগী 'মণিপুরী' কৌবা নেসন অমা লৈরম্বদু মাঙখরে, ইন্দিয়ন নেসন কৌবা ঈপাক অদুদা কোঙ্গোলগুম্না তাকখরে। উতাংবী অমনা, তাংজফম ওইরিবা পাম্বীদুদই হেন্না চাউবা, মসা-মরেং-ফনবা-পাম্বী অমা ওইরকপদি ওইথোক্তবনি। মণিপুরী কলচর, ইন্দিয়ন কলচরগী শেত্তোকফদ্রবা শরুক অমা ওইখরে, চহী চহুমগী মমাঙদগী। ঐখোয়না হায় - মণিপুরী হিন্দু কলচর, ইন্দিয়ন হিন্দু কলচরদগী তোংঙাল্লি- ইন্দিয়নশিংগী কৃষ্ণদুনা অমনি, মণিপুরগী কৃষ্ণসিনা অমনি, অনী অসি মান্নদে।

ৱাসি ফৈনা চৎখ্রবরা? ৱাকোই অমুক শুরগুমসি। পূক্লিংসিনা ৱাজরিবা - মণিপুরী কলচরগী মচাক ওইনা ইলিমেন্টশিং তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকপ'সিনি। লমদমসিদনা 'লুচিংবা', দেল্লীদনা 'তুংইনব'শিং অসিগী কোক্তদি - নেসনল প্রাইদ হায়বসি 'নেসনল ৱেল্থ হুরাল্লগা মরন্নাই-মরল ওইহনবা ঙম্বা, কোনুংগুম্বা য়ূম, মথোল মথোল শাবা ঙম্বা' মখোয়দুনি। ইৱাই-ইনিলগা লোয়ননা চেন্থরকপা মতমগী ঈচেলবু কনানা থিংবা ঙম্লুনি? ঐখোয় চোইরোল লোল্লগুমসি। ঈচেলসিদা তাউথরসি। ঈচেলগী মায়োক্তা ঈরোইরগুমসি। কলচরবু কোর্পোরেটাইজ তৌরসি। মখোয়গী থৌজাল ঙাইরগুমসি, মখোয়দই মতেং নীরগুমসি। লীলা য়েংবা, জগোয় য়েংবা, ঈশৈ তাবা, আর্ট গেল্লরিদা চৎলিবা মখোয় পূম্নমক কোর্পোরেট হাউজ অমগী শো-রুমদা পোৎ-লৈবা চৎলিবা, অপাম্বা পোৎ অমা লৈনবা থিবা চৎলিবা কষ্টমর/কঞ্জুমর অমনি খনবা তম্লসি। কঞ্জুমরিজম হায়বসি 'কলা' দসু লৈ খল্লসি। মখোয়না পাম্বা পীরসি। 'মার্কেট ইকোনোমি' হায়বসিগী খ্বাইদই মরু ওইবদি, কঞ্জুমরশিংনা পাম্বা পোৎ মার্কেট'তুদা ফংহনবনি। 'মাধুরি দিক্ষিত' কী ফজবদা ঙাওখিবা 'এম এফ হুসেইন' না কৈদৌঙৈদা, মাধুরিগী ফোটোগ্রাফিক ইমেজ, মাগী কেনভাসতা য়েকখিদে। অতোপ্পা শকওং অমদা ইন্দিরা গান্ধীগীসু, মাদর টেরেসাগীসু, হিন্দু গোদ্দেস শরশ্বটি-লক্ষ্মীগীসু হুসেইনগী কেনভাসকী লৈতেং ওইরকখি। অরেপ্পা মমল লৈখিদে। পিকাসোগী অয়েকপা লাই, দা ভিন্সিগী মোনালিসা- মমল লৈরি ঙসিসু।

মণিপুরগী থিয়েটর-মেকর, ফিল্ম-মেকর, সুমাঙ-লীলা প্রদ্যুসরশিং-মখোয়গী খ্বাইদই চাউবা অশোনবনি - হোংলক্লিবা মতমগা য়াওন্ননা হোংলক্লিবা অয়েংবশিংগী অপাম্বা অমদি পূক্লিং ইহুলগা য়াওনমিন্নবা ঙমদবা। 'ঐদি হোংলোই নখোয় হোংউ' হায়বা এত্তিট্যুড অসি হোংদোকসি, পর্ফোর্মেন্স স্পেস শেমদোকসি, কষ্টমর্স কমফোর্ট-মরু ওইবনি কাউগুমসি, আর্ট দিজাইন হোংদোকসি, মাইন্দ সেটসি হোংদোকসি। নুংঙাইবা পাম্বা, অপেনবা থিবা মীওইবগী মচৎসিদি মালেমসিনা কায়দ্রিফাও হোংলরোইদবা মতৌনি। শকওং হোংবখক্তনি, শিবা নাইদে কলাদি, শিখিগদবদি মীওইবনি।

—*ইন্দ্রকুমার*

ৱারী ককনাউ

# নয়া পৈশা ৫৫

অঙ্ক হৈবদা ইবোমচাসি মমিং হায়রপ চৎলি। অঙ্কদা এম এস সীনি। মরাইবক থিবদগী লৈঙাক্কী থবক্তি ফংজবা ঙমদে। অদুবু অয়ূক নুংথিল পাদুনা অঙ্ক শোনবা অঙাংশিং ট্যুসন তৌরি। শংবু শঙদে। অয়ূকসিদা বেটচ অহুমনি মানা ট্যুসন তৌরিসি। নুংদাংদসু বেটচ অহুমনি। শেলদি লৈঙাক্কী ওফিসর অমনা চাবা তোলোপতগী মানবু হেল্লমগনি। অদুবু শেলদি পায়বা ঙমদে। তোলোপ পংচাও চাওদবা এমপ্লোয়ী মচা অমনা ময়ূম মকৈ সর-সর শাগৎলকই। ইবোমচাদি ট্যুসন তৌফম শঙ্গোইদুদা জিন্দ্ধ ঙাংশং ঙাংলবা য়ুরবদু শিনবা ঙমদে। ময়ূম পুরি, মচিন মনাও য়াম্মী। ময়াম্বা-মনাওগী, মচাশিংগীসু মানা হোৎনরি, মাদি ময়ূম পাল্লু য়াদে। তৌবগীদি ময়ূম পানমিন্ননবা নুপী কোয়বা শংদবদগী ওইরম্বা য়াই। ইবোমচাগী মমানা খাইরৌ লাইরৌ কোয়চেন চেন্দুনা ৱানা মচা থাক্লবা হোৎনরম্বদুমদি উবা ফংদ্রে হায়বু, ইবোমচাগা তিন্নবা অমদি কোয়নদবা লৈকায়গী মীশিংদা ইবোমচাগী মমৌ ওইবা য়াবা অফবা অমত্তা তাবীরকউ হায়না ৱানোম্বদি তোইনা উরে।

তরানিথোইশুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল নকশিল্লকপসিদা ঐখোয়গী এ সীদা ভোট লেপকনি হায়না চোঙথোরক্লিবা ময়ামসিনা মরোল অমা কুম্মৈদু ঙাইরে। মোই মোইগী ৱার্করনি হায়দুনা থাদোরক্লিবা শক তাখৎখ্রবা কয়া অমনা মীশিংসি লৈবগী ৱাদা ঙাঙই। কয়া পী লৈরগে হায়বমক নৎত্রসু, ভোট ময়াসিদা শেলসি মচা মচা য়েনশিনবা হৌরে। হন্দক্কী নিংঙোল চাক্নৌবদবু কৈনোনে থাজদে, শেলনা ৱাই চাইবনি। মোইগীদু নিংঙোলশিংবু, মরু ওইনা নুপীশিংবু য়াম্না নুংশিবগী তৌরিরা, নৎত্রগা শেল খরা পীরগা লৈবা হৌরিরা হায়বা ঙমদে। নিংঙোল ওইবীশিংদা চাক কৌবগী মীংদা, পোৎ চৈ লৈনবনি হায়দুনা শেল ওইনা চাম্মঙা চৎপী অনী পীবা, অহুম পীবা, মরি পীবা পীশিল্লি। মদগী হেন্দোক্তুনা য়ূমথোঙ খুদিংগী চাক্নৌবদা ঙা লৈবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা শেল পীবা য়াও, থাও পীবা য়াও, মতা অমনি। মীসি লৈরগে হায়সিদা লোইনা লৈনখ্রে। ভোট লেপ্পীশিংদুসু অরোইবী ঙাক্তনি। ময়ূমগী নুপী লৈনা লৈনা, নুপী কোইরম্মে হায়বনে কৈনে, অচৌ অচৌবা ৱাথোক্না থোক্লুবসু য়াওনরিপোৎনি। ভোটকী ৱাসি হেক পনবদা মামা থোইবা মীহুন হেক্তা কাংই। নোংমা তাঞ্জা চারুবদগী অঙ্ক ইবোমচাগা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানৈ। মাম থোইবনা শাওরপনা ঙাঙলি। অঙ্ক ইবোমচাদি লুকথরগা তারি।

"মীশিংসি য়াম্না পঙই, মশা মশাবু য়োনবগী ৱাখলদতা লৈরিসি করিগীনো? ভোটতা শেল লৌরগা থাদবা হায়বসি শুংতৌ তৌফম থোকপা থবক নত্তে। চহী মঙাবু লুপা খরদা য়োম্থোকপা, অসুক পঙবা মীশিংসিবু করিনো খঙদেনে, অদুদগী শিংবগসু শাদনা তৌজশারিয়ে। কেন্দিদেটশিং অসিনা মোইসি লৈখ্রে হায়বসি মোই মশানা খঙজদেনে।" তূমিন তারিবা অঙ্ক ইবোমচা মমাই থাঙ্গৎলগা নোকফেৎ তৌনা খুল্লকই,

"চুম্মী মাম থোইবা, লুপা খরদা লৈরিবনি। ভোটতা থাদরক্লিবা শেনফমশিং অসে, ঐখোয় ইশাদগী ইশা খঙদনা লৌখিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়না চারিবা, শেৎলিবা, থক্লিবা, থাও হাল্লিবা, লৈরিবা পোৎ খুদিংমকশিং অসিদা ঐখোয়গী শেলশিংদুগী শরুক খরা খরদা ওইরসু গভর্ণমেন্টকী শেঙ্গাওদা চঙখ্রিবনি। মদু অমুক ময়াম চঙদুনা থোমগাইরগা অহৈবা, অশিংবা কাঙবুনা শেল পায়বা হায়না পায়রিনি।"

"অদুনিনে ইবো অঙ্ক ইবোমচা। নঙ অঙ্ক য়াম হৈবা মীনি অমুক্তা হোৎলু। ভোটতা লুপা চাম্মঙা পীরগদি, ভোটর অমনা নোংমদা পাথোক্লগা ফংলিবসি কয়ানো? লিশীং পীরগনা কয়ানো? লিশীং অনী পীরগনা কয়ানো?"

অঙ্ক ইবোমচানা ঙাইহাক খল্লি অদুগা ইরায় হেক লায়খৈ খুম্মকই,

"মাম থোইবা ঐ হায়জগে, ভোটর অমদা লুপা চাম্মঙা পীরগদি নোংমদা পাথোকপদা, চহী অমা হায়সি নুমিৎ ৩৬৫নি। মদু অমুক চহী মঙাদা পাথোক্লদি পূম্না নুমিৎ ১৮২৫নি। মদু লুপা ৫০০না য়েম্থোক্লগনা নোংমদা পৈশা ২৭নি। লুপা লিশীং অমা পীরগনা, 1285 days ÷ 1000 = নোংমদা ভোটর অমনা ফংলিবসি পৈশা ৫৫নি। অদুগা লিশীং ২ পীরগা ভোট থাদরগনা ভোটর অমগী মমলসি (1825 ÷ 2000 = 1.01) হায়বদি নোংমদা লুপা অমগা পৈশা অম তাই"

"অদুদি মী অমগী নোংমগী মমলসি লিশীং অমা পীরগা ভোট থাদরদি পৈশা ৫৫ খক্তনিনে। ইবো মসি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা ৱানি। শেল লৌরগা মশানা মশাবু নোংমদা পৈশা ৫৫দা য়োনবা হায়বসিদগী হেন্না পঙবা মীসিবু কদাইদা লৈরমগদগে?"

"হোয় মাম্মা, ভোটতা শেল লৌবা হায়বসি তৌহৈদবা থবকনি। মোইগী অপঙবা মতৌসিদনি, ভোট লেপকে হায়না থোরক্লিবা শেঞ্জাও পায়বশিং অসিনা শেল পীরদি ভোট হেক্তা কারনি, শেলনা জোম জোম থাদরগা লৈবা য়ানি হায়না খল্লিসে, ভোটরশিংসিগী অপঙবা মতৌসিদনি"

"অদুনি অদুনি, ইবোমচা, মসি কমাই তৌরগা শেমদোকপা য়াগনি, সিনি ঐনা খল্লিসি"

"মাম থোইবা মসি ঐখোয় অমা অনীনা পাক হেক্তা শেমদোকপা য়াগদবদি নত্তে, অদুবু ৱা অমত্তং হায়জৌ হায়রগদি ৱাফম অমদি লৈ"

"হায়য়ু তাসিনে ইবো"

"মাম থোইবা কেন্দিদেটশিংদুনা য়েল্লক্কদবা শেনফমদো, দোলা দোলি থিদনা লোইনা হেক লৌশিল্লবা, ৫০০রা, ১০০০রা, লিশীং ২রা। অদুগা ভোটতনা মতিক চাই, মখোঙ শেংনা মীয়ামগী থবক তৌরকপা অমদি মীয়ামগীদমক ৱাখল খল্লকপা, থবক ওইনা উৎলকপা মীশিংদো মদুদা গিৎ গিৎ হেক নম্মবা অদু ওইরদি মথং ভোটতা শেল পীবগী ৱাফমসি খরা খরা সুম হোংহল্লকপা য়াগনি খল্লি"

"বেষ্ট, মদুনা ফরেহে অঙ্ক ইবোমচা, নঙগী অঙ্কসি য়াম চুম্মী, মদু ফল তাদৌ মাল্লি। শেলসি লৌরসি, অদুগা ভোটনা অফবা মী খল্লগা থাদরসি হায়বনি"

"মানি মাম থোইবা"

"হৌজিক্কান্দা তৌরিসিদি, মপুন্সিগী লৈবাক্কী ৱা অমত্তসু হায়রক্তবা, থিকা তৌরগা শেল পায়রকপা ময়ামসিনা সোসল ৱার্কর ওইদুনা, ভোট লেপ্পগা শেল য়েল্লগা ভোট থাদহনগনি, কিহন খংহনগনি হায়না তৌরিসি মসি মমু য়ৈথেকপা অমা চঙইনে"

"চঙই মাম থোইবা"

"উম চুম্মে, ঐখোয় ইশানা ইশাবু পৈশা ৫৫দা য়োনবা তোল্লসি"

-*নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*

## দেমোক্রেসিগী লাঞ্জাও
—অঙোম ইবোমচা

মতম্না অসুম পুরকপনা
লাক্কদৌরে নৌহৌননা অমুক
কল্লবা দেমোক্রেসিগী লাঞ্জাও
চীং-তম অনীগী লানবুংদা
সনা লৈবাক মণিপুরগী।
লান্নি কল্লবা দেমোক্রেসিগী
বোম, তোপ, নোংমৈ য়াওদবা
পূক্নিং ৱাখলগী অপাম্বদা
লৈবাক্কী য়াইফবা ওইনবা
নীংতম্না লাম্মী ওইজরগা
শোক্লগদৌরিবা লাননি অকনবা।
অদুবু বোম, তোপকী মহুত্তা
ময়াই কারবা চিঞ্জাক্না ওইহন
নোংমৈ মরুগী মহুত্তা
ময়াই কারবা শেলনা ওইহন
শোক্লগদৌরিবা লাননি অকনবা।
ওন্ন-তৈনবগী ওন্ন-তৈনবা ঙাক
দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক ঙাক্তবা
অচৌ অশাং ওইনীংবনা
মাগী পান্দম লোৎনা থম
ঙাঙলি লাউরি লৈয়েংনা
শুমহৎ ৱাহে মীয়ামশিংদা
শোক্লগদৌরিবা লাননি অকনবা।

## অহন লমনশিংগী পাউতাক
—নরেস লাইময়ূম

মতম অমগী নেতাশিং
কদোমদা মাঙখ্রবগে
রাজনিতি হায়বসি তাবুনুংদা
ইদুনা থল্লম্বদি
মীখলগী অচৌবা লাইবক লেপ্পা
মীয়ামগী খূৎতা থম্নবা
অফ ফত্তগী খন্ননবা শক্তি
অদো পীবনি হায়দুনা লীরম্মী
অহন লমন কয়ানা
হৌজিক ঐগী ইমাংদা তারিবসিদি
রাজনিতিগী ৱাহন্থোক য়াওদনা
পংলাংদা লাংলগা, পংচোংদা চোংলগা
মীওইবগী হকচাংবু অকি তুজুংবগা
লোয়নহল্লগা লৈবাক শেমগনি
হায়রিবসিবু অচুম্বরা খনবদা
থম্মোয়সে ককঙাওননা চৎলিয়ে
অশেংবা থম্মোয়গী মীনুংশিনা হেন্না
মীওইবগী থৌজাল নীবনা হেন্না
ফত্তবরনে ইরমদমসিগী শক্তি পায়বা
ইচা-ইশুশিং।

## ঙশাংনা মোংবগুম নোংসু খিক্লি
—সৌবাম বিরধজা

ছুটি নুমিৎ খোই চোপ্লিবনি
মমাঙ পুখ্রি পিকক্রসিদগী,
ঙারৌ ওইনঙাই ফারিবনি।
ইকায়থীবি খরসু থাজিল্লি
তরু তনান থল্লিবনি পুখ্রিসে।
য়াহৌরকপদা ঙাশিংনা মোংলি
য়েংলুবদা ঙাশাং ওইরম্লে,
খুরা ইবুংঙোনা তাকপী-হায়বীরম্মী
অতো, ঙাশাং য়াম্না মোংলগদি
নোং শোইদনা খিক্লনি, হায়নরিবনি।
ঙশাংনা মোংবগুম নোংসু খিক্লনি
হৈথদুনা খক চুরোই, খিকচু চুগনি
পুখ্রি-খোংবান্দা ঙশাংনা মোংলদি
মহৌশানা নোং খিক্লনি খঙনৈ
খঙজিল্লুনে খুরাগী অতো ইবুংঙো।
খঙজরে ইপন খুরাতোন, ঙসিদৈ,
নহানমখৈ তাকপীনবা লৈতদনা খঙড়ুদ্রে
হৌজিক্তা ইপন্না তাকপীদুনা খঙজরে।
ঙশাং খরদং হাপচগে, ঙানম ওইননবা
য়াইঙং লাসিদা মনম নুংশিনা নম্বীয়ু।
পুন্সিগী পারাসি য়ামখ্রে ওন্থোক্না
চহী য়াংখৈ পারা য়াংখৈ হায়নরিবনি,
চহীনা য়াল্লিখৈ, শিন্থাসু য়াম্লকই
খঙহৌননবা হোৎনৌ, তাশিল্লু খঙজিল্লু
অহল-লমনগী ৱা তাশিল্লু-তমশিল্লু।

## অহিংগী ফজবা
—বুঙোচা খুমনচা

শাংলবা পুন্সি খোঙচৎসিদা
খঙখিদে নোংমতা ঐনা
ইচিক হুল্লবা অথেংবা অহিংগী
মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা
শুক্লা মল্লবা অহিংগী ফজবা।
থাজে থম্মোয়নদি চেৎনা
শেল্লিবনি হায়বা
অচিকপা অমম্বা অহিং খুদিং
ফজরবা নঙগী কল্লবা লিপুন্না
চেৎনা পুন্দুনা পুরক্লিবনি
অমমম অঙান অনীগী
তৎফদ্রবা লংদাই অমা
অমতা ঙাইরবা তাইবঙ মালেমসিদা।
অদুবু য়াদে পূক্নিংনা
য়েংউ উরু হায়বা
অথেংবা অচিকপা অমম্বলক্কী ফজবা
খল্লি ৱাখলনা মওন মওন
থোক্লি তারিবা থৌদোকশিং
অকি তুজুংবগী মশক ওইরবা
তাহৈ উহৈদ্রবা থৌদোক কয়া
লৌরি খুদোংচাবা অমম্বা নঙগী
ৱাখলদা লিচৎতা থৌদৌদা
শা ওল্লবা মীওইবনা
থুগাইরি নঙগী ফজরবা শক্লোন
ওন্তোকপীরি
অসুকপা অচিকপা মফম কয়া
থেংল অহিংগী তম্নলাইশিংগী তম্নফম।

## নিংঙোল
— জয়েন্ত সরাংথেম

মপাম লমদমনা হেন্না নীংজবীনি নিংঙোল
থোকপদা কৈনোম্মা মপাম লমদমদা,
হংঙরৈ হেক্তা চেল্লত্তুনা;
নুংশিবীয়ু নিংঙোলগী মপোক।
ৱারৌগনবী নিংঙোলনি,
হংবীয়ু চত্তুনা করম পাল্লি,
ৱাজগনবী নিংঙোলনি,
নুংশিবীয়ু মখোয়বু।
তারবা মতমদা অৱা অনা,
লৈরোই কনাসু,
ইমা ইপা, ইচে ইচল নত্তনা;
নঙবু নুংশিবীবা অশেংবা থম্মোয়দগী।
য়েংজবীনি মপাম মায়কৈ নুমিৎ খুদিং,
হরাওজবীনি খ্বাইদগী মপাম চৎপনা,
য়াহনবীগনু ইকায়-নুংশি মখোয়বু;
মখোয়সু নঙগা পোকমিন্নবা,
নচে-নচলনি কাউরব্রা?
নুংশিদ্রা মতমদো অঙাং ওইরিঙৈ?
চামিন্নখিবদো লাক্না লাক্লদুনা,
পুখম অমখক্তদা;
হৌজিক্না করিগী খল্লি,
ঐগী নুপীনা লোইরে,
ঐগী ইচানা লোইরে।

## কদায়দনো নঙনা চৎলিবা
—খুরাইজম মিলন

নঙগী আশাদা হিংজরিবা
তোল্লবী ঐবু থাদোক্লম্লগা
কদায়দনো নঙনা চৎলিবা
হো নুংশিথোইরবা!
চাওবা শারেপ ফাদ্রিবা
পিক্লিবা নঙগী নচাশিংনা
বাবা কৌদুনা কপ্লক্লে
থৱায় য়াওদ্রবা নঙগী
হকচাং পোলাংসিদা কোন্দুনা!
পুন্সি নোংলৈ অকনবা
মীনোক-মৈশা মরকসিদা
করম্না ইথন্তা লেপহৌনি
তাক্লমখো নঙনা অমুক্তা
ঐবু কনাদা শিন্নরম্বগে!

## খল্লুদ্রবা ঈচেল
—রাজকুমারি মীনা

মীয়ামগী অপাম্বা খঙদনা
পৈশানা লৈগনি খনগনু
নশাগী অওইবা তাক্তনা
শোয়দনা য়াগনি লৌগনু
মশাগী কান্নবা পাম্বনা
ইকায়বা খঙদনা হায়রি
লেমজবা লৈতনা নোঞ্জরি।
থল্লে লৈরে ফজবা খূৎশেম্না
শক্লে নুংশিবা ঈশৈনা নীল্লে
কৌরে লেপ্তুনা তিল্লে মীয়াম্না
বসন্ত ঋতুসু নঙগী লৈতেংনি
হৈরাং লৈরাংসু নুংশি খুদোলনি
লৈচিন নোংফাইসু মালং পাওজেলনি
লোক্তাক ঈপাকসু নঙগী মীংশেলনি।
তারিবা ময়ামসে তাররোই
কপ্লগা হৌবসে লোইরগে নোক্লগা
ৱারগা লেনবসে থল্লগে থম্মোয়দা
অশেংবা হোংদবা পুকচেলনা
নীংজবা ঙমজবা লেংদনা
হাঙলবা অতিয়াগী উবা লৈত্রবা পন্থুং
চেন্থরি লোইনাইদনা খল্লুদ্রবা ঈচেল।

## তেংথাখোল
—কে মেমা

নৈহৎপীরবা তুহৎপীরবা মালেমসিদা
নীংঙমদবগী খোল্লাউনা থল্লবসু
তবীনবা তেংথাবীনবা লৈত্রবসু
অচুম্বা হায়বা অমদি শোয়দনা লৈফম লৈগনি
অদুগুম্বা অচুম্বা অদো কুপশিনখি শক্তিনা
ঐনা কনানো, মানা কনানো হংলি
পাউখুমবীনবা লৈত্রবরা, কনাগী মরালনো
খঙনা খঙনা খঙশিন্নদা, উনা উনা উশিন্নদা
অততাই তাহৌরবা মালেমসিদা
কনানো হায়য়ু, মিৎ নঙ উবরা, না নঙ তাবরা
শারেপ কাংদোং ফাদ্রিবা
য়েন্নাও মচাশিংগী মমা য়েনবীদো
শলাক তমথীনা হাৎতোকপীরিবা
মতু মমান ইতৎ তৎ, তুবোন তুবোন
খরনা চী থুংই, খরনা উইরুম উইরুম
তুফক তুফাই ইচন চন, কীথি কীরুম মতৌদো
য়েংবদা কয়াদি নুংঙাইখিদ্রে য়েন্নাও মচাশিংদো
অদুবু নুংঙাইতে হায়না শোল্লন্লগা
মহৈ মহৈ মাগী মাগী মথৌ চৎনখি
কদায়দা চৎখ্রে য়েনবী মপুদুনা
নঙদি করি তৌরি, করি খল্লি, কিরবরা নহাকসু
কপ্লিবরা নোক্লিবরা নহাকপু
নঙগী থম্মোয়না মখোয়গী মতৌদুদা।

## বেবিসনা
—ডা. রনজিৎ মঙাং

ইপাগী ইমোম নুংশিবী
ইচানা চৎলিবা লম্বীদো
মনুং মতম চাদ্রি
ইপাগী ইবেম্মা হল্লকখো
ইচাবু মী অমা ওইনবা
মহৈ তম্ফমগী বোর্দিংদা থমখিবা
ইচাগী পুন্সি লোইনবা তাখ্রে।
ইপাগী ইবেম্মা বেবিসনা
নপাবুং ঐবু থাদোক
অশিবগী লমদা চৎখিবা
ইপাগী থম্মোয়সে নীংঙমদে
পুন্সিদা নীংঙমদা অসুম লৈহৌরনি
নতারোইশিং কায়না মৈশা খাংলিবসি
ইপাগী ইবেম্মা নহাকপু উদ্রবরা?
মীওইবা শিবা নাইবা পুন্সিনি
মনুং মতম চাদা চৎখিবদা
অহিং তাংলৌ অথেংবা কয়া
লাক্লরোইদবা নঙবু নীংশিং নীংশিং
হিক হিক তূমিন কপচখি
হে পূম্নমক্কী মপু! পূম্নমক শেল্লিবা
ঐগী ইতৌ য়েংবা ঙল্লিবরা?
ইপাগী ইবেম্মা বেবিসনা
নোংদম্বা মহাক্কী নোংদমখোল
ইপা ইচা কুইনা লেমিন্নৌ তল্লমদ্রে
ইচানা নপাবুং ঐবু ৱারৌগনু
পাইথোকখ্রবা থৱায় চেক্লোনা
অফবা মপোক অমা ফংলুরো
কপ্না কপ্না অরোইবা বিদায় পীরবনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।